# দ্রামাটিষ্ট অমদা দ্রামাটিষ্ট অমগী হায়জ-ৱারোল

'সান্তো এম'- ময়েংবম সান্তোমনি হায়বা অশেংবা মিং অসিগী অশেন্বা মিংনি। ঐনা খঙজবদা মহাক মশানা অইবা অমা ওইরক্লবতুংদা, চৎনবী ওইনা লমদমসিদা কৌনরিবা মিঙ্গৌ অসিদগী নাথৈরগা, তোপ তোপ্পা মিং অমদা মীয়ামদা শক্তাক্লীংবদগী মশানা থোনজখিবা মাল্লি। সান্তোমনি হায়বদু অনী থোক্লা খাইদোক্লগা সান্তো-মনি (সান্তো এম) হায়রিবরা? সান্তোমনি ময়েংবম হায়বদুগী মহুৎ ওইনা সান্তো এম হায়রিবরা? মদুমদি ঐ খঙদরে। মশাদসু নোংমতা হংলুদে। অদুগা, অহলশিংনা/ইমা-ইপানা মিং অসি থোনবদা 'সান্ত' হায়বা সংস্কৃত ৱাহৈ, ঈংবা-তপ্পা-মোং-হাদবা ৱাহন্থোক অদুগী দিরাইবেটিভ ওইনা লৌরগা থোল্লিবরা? নৎত্রগা মুসলিমশিংনা 'ঈংবা-তপ্পা' মতৌ অদু পামজদুনা 'সান্তো' হায়বা মিঙ্গৌ ওইনা শীজিন্নবা ৱাহৈদু নীংশিংলগা থোল্লিবরা? মদুমদি খঙবা ঙমদরে। অদুবু, গুৱানা হায়বা লমদুগী ফোক-ম্যুজিক 'সান্তো' হায়বদু লৌরগা থোনবা নত্তে হায়বসিমদি খঙই ঐ তশেংনা।

ইগে খল্লুবা ৱারেংসি, 'সান্তো এম' হায়বা অইবদুগী দ্রামা মচা মঙা য়াওবা লাইরিক 'তাবুনুংদগী' হায়না মিংথোনবদু পারুবদা ফাওরকখিবা ৱাখল ইফুৎ অমখক্কী মতাংদনি। ৱাহৌদোক ওইনা, ঐগা খঙজবা অইবা মশাদুগী ক্যারেক্টরগা, মিং অসিগা লৈনবা মরী অদু নীংশিংলক্তুনা ইরিবনি। মিংথোল ক্যারেক্তরদুগা চানৈ হায়বা তাই - ঈংবা, তপ্পা, মোং হাদবা, শাউগন্দবা মতৌ!

অদুগা, ৱাফমসিমদি থম্মোয় শেংনা হায়জহৌবা তাই, মদুদি লাইরিক অসিগী করম্বা থোইদোক হেন্দোকপা মতিক-মগুন (স্পেসিঅলিটি) লৈদুনা ঐনা ৱারেং অসি ইনীংলুরিবনো? ৱারেং অসি লাইরিক্তুগী শক্তাক-ৱারেং নৎত্রগা রিভিয়ু-আর্টিকল অমা নত্তে। নৈন-ৱারেং অমসু নত্তে। ইনীংলুরিবগী মরমদি - অইবসিনা ৱারেংজরিবা ঐঙোন্দা ৱাহৈ অমখক হায়রকখিবদুননি ... 'হন্দক ফোঙগদৌরিবা ঐগী দ্রামা-লাইরিক অসিনা ঐগী অরোইবা ওইরনি, মরমদি ঐ অমুক হন্না, মখা তানা দ্রামা ইররোই... দ্রামাখক্তা লৈতে, শৈরেংসুনি - ঐহাক শৈরেং ইবসু তোক্লনি, সাহিত্যদগী পোত্থারনি'...।

ঐহাক খনখি - সান্তো মনি মশাগী ফিরেপ হোঙ্গন্দবা, ৱারেপ অমা লৌরমদাই মুন্না খল্লগা লৌগনবা, মীঙোন্দা ৱারৌবা হৈতবা মীশক অমনি। মহাক্লা লৌখিবা ৱারেপ অসি শোয়দনা থবক ওন্থোক্লক্কনি। মরম অসিনা, ইকোন কোন্না ফোঙখিবা দ্রামা মচা মঙা-মঙা য়াওবা লাইরিক অনী- 'তাবুনুংদগী' অমসুং 'মল্ল মল্ল লৈনুংশি' হায়বদু ফোঙবা নুমিৎ অদু ঐনা খৌরাংনা ঙাইরকখিবনি। ওক্তোবর ৭, ২০২২ ইরাই নুমিৎ - খোরিরোল শন্দোক লূপ, ৱাংজিং' গী শঙলেন'দা পাঙথোকখিবা 'লাইরিক ফোঙব'গী থৌরমদু চৎনীং-চৎনীং, খুদোংচাদবা অমদগী চৎখিদে। লাইরিক্তুদি পানীংবনা লাংতক্লখি। ইখূৎ চল্লবা লাইরিক অনীদুই মরক্তা অমদি মরুপ অমনা 'অমুক্তা পাগে' হায়দুনা লৌখিবদগী থিল্লক্ত্রি। মীখূৎ চনখ্রবা লাইরিক্তি অমুক হল্লকপগী ৱাখল খল্লুরনু হায়বা সংস্কৃৎ পাউরৌদু নীংশিংই, কৈদৌঙৈ পাবা ফংগদগে খঙদে। অরোইবা ওইগদৌরিবা শৈরেং লাইরিক অদুসু কৈদৌঙৈ ফোঙগনি খঙদ্রি। 'তাবুনুংদগী' পারুরবা মতুংসিদা পূক্লিংদা ফাওরকপা ইথিল খরসিনা ইনশিন্দুনা ৱারেংসি ইরগে কলম পায়খৎলুরিবনি।




সান্তো এম'না ইবা লীলা-মচা খরা পাখরে, লাইরিক ওইনা ফোঙলবা অমদি ফোঙদ্রিবা। ফোঙদ্রিবা দ্রামা-মচাদুদি, মহাক্লা ফোঙননবা ইবা নত্তে। ফোন'দা ৱারী শানবদা থিম অমগী ৱারী য়াওরকপদগী ঐনা থৌওইনা ইহনখিবনি। প্রদক্সন ওইনা ওন্থোক্লবা হোৎনরি। মায়োক্ল রক্কদবা খুদোংচাদবা অমদি খুদোংথীবশিংদু য়েংশিল্লি।

সান্তো এম' না ইবা লীলা মচাশিংসি পারুরগা ইটালিয়ন প্লেরাইট 'মারিও ফ্রত্তি' হেক্তা নীংশিংলকই - ইচম চম্বা, ওর্দিনেরি সিচ্যুয়েসন অমবু দ্রামাটিক লিটরেচর হেক্তা ওন্থোকপা, মীওই কুন-কুম্বা তিনবা পার্টি অমদা শানরম্বা ৱারী ৱাতায় মরক্তসু দ্রামাটিক এটমোসফ্যের অমা হেক্তা শাগৎঙম্বা। সান্তো মনিগী দ্রামাদি ৱাখল তরং মরক্তগী থোক্লকপা পোথোক অমা নত্তে। মীৎমাঙদা তরং তরং থোক্লিবা থৌদোক অমনা ইথিল পীরক্তুনা থৌদোক্তু দ্রামা হেক্তা ওইহনবা... য়ু পংবমখৈ থক্লুরবা নহা অমা, লমহাংদা ঙাওদুনা তারিঙৈ, কাকফৈনা য়োমদুনা ঈ চূপথোকখ্রবা, ব্লদ দোনেসন তৌবদদি অকিবা পোকপা অমগী মরমচৎ শেমদোক্লবই মচাক ওইহনবা ৱারী ... য়েন হুরানবা নহা অমা ক্লবকী নহারোল লমজেন-চেম্পিয়ন, স্পোর্টসমেন ময়াম্না তান্নবা ফংদবগী থৌদোক অমদা যূম্ফম ওইরগা হুরানবা অমবু অফবা এথলিট/লমজে ল্লোয় ওন্থোকখিবই ৱারী ... পোৎলোয়ফমদা য়ানশিনবা য়ু থক্লুবদগী পুল্লপ শিখিবা থৌদোক অমদা যূমফম ওইদুনা খুঙ্গং অমদা য়ু থকপা-য়োনবা পূমথিং থিংবগী ৱারীনচিংবা শাগৎপা ... সান্তো এমগী হৈনবী খূৎইনি।

'তাবুনুংদগী' হায়বা লাইরিকসিদা য়াওরিবা দ্রামাশিংসিসু অসিগুম্বা থৌদোক অমমমদা যূম্ফম ওইবা ঙাক্তনি। 'চাক মরূ অমা' - ইন্দিয়া টুর তৌগে খনবা নুপা অমগী খোঙচৎ অমদা বোম্বে'গী ভিক্টোরিয়া টর্মিনস রেলৱে ষ্টেসন'দা মতৈ-মনাও অনীখক্তগী অয়াওবা শেল'মখৈ ফুরিৎখাও চপ্পশিংনা চপখ্রবদা চাবা ফংদনা ময়ূম লমদম পাংলকখিবদুনা পারা ওইদুনা চাক মরূ অমগী মমল খঙনা, চেকশিন্না পানবা যূম্বান অমা লিংলকখিবগী ৱারীনি। 'এদ্যুকেসন মন্ত্রি সনাজাও' - লাইরিক হৈতবা 'সনাজাও' কৌবা শেঞ্জাও পায়বা অমনা বেঙ্কতগী শেল লৌথোকপদা 'সনাজাও' হায়না য়েকপদা 'া' (আকার) চীথখিদুনা 'সনজাও' হায়না খূৎয়েক পীরুবদগী ইকায়বা নংখিবা, চহী কুন চঙনা যূমদা লাইরিক তমদুনা এম এ দিগ্রী পায়খিবা, ভোট লেপ্পুনা এদ্যুকেসন মন্ত্রি ওইরকখিবা, এদল্ট এদ্যুকেসন পোলিসি শেমদোকখিবগী ৱারীনি। 'নুংশি ফালা', 'অনৌবা যূম্বাল হায়দোক্লসি' হায়বা লীলা অনীসিসু থৌদোক অমমমদা যূম্ফম ওইবনি। অদুবু, লাইরিকসিদা ঐগী পূক্লিংসিবু খোন্দুনা পুখিবদি 'থুংনবগী অহিং' হায়না মিংথোনবা - লৈখিদ্রবা ইমুং অমগী যূম্বুরেনবা অমদি যূম্বীরেনবী অনীগী ফোটো অনীনা ৱারী শানবদুনা দ্রামাদুগী মরু ওইবা ঈচেল ওইবা লীলাদুনি। লৈখিদ্রবা থৱায়গা, হিংহৌরিবা মচা-মশু ওইবশিংগা লৈনবা ফাগি তারবা মরী, মীওইবগী তোপ তোপ্পা মশক অমা য়েক্লনবা হোৎনরিবা লীলা অমনি। নহা ওইরিবা দাইরেক্টরশিংনা অমুক্তং পাদুনা পুথোক্লবা হোৎনবা- অনৌবা দ্রামাগী মহাউ অমা পীবা ঙমগনি হায়বসি ঐগী থাজবনি। অমুক্তং হোৎনহন্নীংই।

মোদর্ন প্লেরাইটশিংগা, সান্তো এম'গা খেন্নবা অমত্তং, ঐবু হায়জৌ হায়রগদি - মহাক্কী ইচম চম্বা টেক্নিক, টেক্নিক য়াওদবা লীলা খূৎই অসিনি। ইচম চম্বা, অহিংবা মী অনীগী মরক্তা ঙাঙনবা লোন শীজিন্নদুনা, এবসর্দ ওইবা থিম কয়াসু রিঅলিষ্টিক পেত্তর্ন শীজিন্নদুনা অপাবশিংদা লায়না খঙহনবা ঙম্বা অসিমক সান্তো এমগী থোইদোকপা মতৌ অমনি। তৌবতবু, রেদিও দ্রামাগী খূৎইরোমদা হেন্না নকশিনবা খূৎই ওইবনা, থিয়েত্রিকল প্রদক্সন অমা ওইনা ওন্থোক্তুনা শান্নগে নীংলবা- নৌনা অমুক প্রদক্সন স্কৃপ্ট ওইনা ইথোকপদি তঙাইফদবা অমা ওইগনি।

ৱারেং অসি ইজবগী মরু ওইবা পান্দমদি - অইবা অসিনা লৌরিবা ৱারেপ অসি হন্দোক্তুনা মখা তানা ইবগী ঈচেল অদু লেপহনবীগনু হায়বা ৱাৱোল অসি মহাক্কী নাকোং য়ৌহনবদুনি।

—*ইন্দ্রকুমার*

# খমব্রাংচাক্লা মপাম চৎপা

থায়না মমাঙঙৈদা খমব্রাংচাক মতৈ মনাও লৈরম্মী। মখোয় অনী অসি য়াম্না নুংশিননা পাল্লম্মী। নোংমদি খমব্রাংচাক অমোম্না মৱাদা "ইবুংঙো! ইপাম চৎতবা মতম কুইরে, ইমা ইপা, ইবুং ইপ্পা উনরুগে ননাওবু ইপামদা চৎলু হায়বরা চৎকনু হায়বরা হংলক্লে"। মতুগী ফজরবা ৱাহৈ ৱাতাদু তাবদা খমব্রাংচাক লাবনা 'পেম্মা শকহেনবী চৎলু ইকু ইনেম খুরুম্মুচো। ইনাক কৈরাক খুনবা ইকু ইনেমগী যূমদা চৎপনিনা অচা অথক য়াম্না পুরকউ" হায়রকপা মৱাগী য়াথং ফংলবদা খমব্রাংচাক অমোমদু হরাওরে। নুপীনা মপাম চৎলমদাইদা কেনীংবসিদি তাইবঙ মীদা নত্তনা শা উচেকসু য়াওমানে। খমব্রাংচাক্লা নুরা নন্থোক্কে ইরু মাইথজরুগে খল্লদুনা তুরেল তান্না কুল্লক্লে। খমব্রাংচাক অমোমনা ইরুজগদবগী তুরেলদা কুমথরকপদা ৱাইখু পাখং অমনা লৈরাইদা কাখৎতুনা মখোঙ মখূৎ কোনশিল্লগা কুন্দুনা নুংশা য়াইদুনা লৈরিবদু নূংপাক ওইরবোই খন্দুনা খমব্রাংচাক্লা মথক্তা কাখৎতুনা ফম্মুরে। মথৱায় নুংঙাইরবা খমব্রাংচাক অমোমদু চোং ফন্দুনা ঈশিংদা চোংথ অমুক কাখৎ তৌদুনা ইরুজরম্বদগী মথৱায় নুংঙাইরদুনা ঈশৈ ঙংদুনা খুজিল খুয়া ফেংবা হৌরকই।

"ইপাম যূমদা চৎলুগে
ইদু যূমদা কুম্লুগে
তাউজিং হৈরাং চারুগে
শিঙেল লৈরাং চিল্লুগে"

অসুম্না খুনিং কাংনা কাংনা ৱাইখু মথক্তা চোং ফন্দুনা ইরুজবা অসিদা ৱাইখুনা শাউদুনা মাগী মখোঙ কাজপ্পি অদু লামখৎলক্তুনা খমব্রাংচাক্কী তনৌ তনৌরবা মখোঙ অদুদা কক হেক চপলুরে। খমব্রাংচাক অমোমদু নামনখ্রদুনা 'ঐয়ো ইমা: শিরে' হায়না খংলাউ লাউরগা পাইরক্তুনা যূম অমগী মখা থংবা য়েনখাদা হৌরিবা হৈনিং পাম্বী অমদা হেক তোংলুবদা মমুন ফারবা হৈনীং অমা কেন্দুনা ককচেং নিংদুম্বীগী মহুমদা তাশিল্লুরে। মহুম অদুদগী ককচেং নিংদুম্বী চবুল অমা থোরক্তুনা য়েনখাদা নুংশা য়াইদুনা লৈজরিবী হনুবী অদুদা শাউদুনা খংচিক চিক্লুরে। হনুবী অদুনা নামনখ্রদুনা থরো থরো ওনবদা শম্বলদা মহুম শাদুনা লৈজবা শেকপী মহুম অদু থুগাইরুরে। শেকপী অদুনা মাবু ফাগদৌরমাল্লে খল্লদনা কিবদগী ইফিং ফিংনা পাইথোকখ্রে। অয়ূক নুংথিলদদি শেকপীদি মমিৎ উদবনিনা মফম মরাং খঙদনা মকোক ঙাওদুনা পাইবদা কুন্দুনা লৈরিবা নিংথৌগী শামু য়াইশা অমগী মনাতোন মখুল মনুংদা পাইশিনখ্রে। থোরকফম খঙদদুনা শেকপীদু শামুগী মনাতোন মনুংদা অদুম লৈখ্রে। শেকপীনা মনাতোন মনুংদা লেঙদনা লৈরবদা শামুদু করিমত্তা চাউ থকউ য়াদনা অনাবগুম কুন্দুনা লৈরে। মানা মনাতোন কান্বদসু শেকপী অদু তাহনবা ঙমদ্রে, শেকপীদু মনাতোন মনুংদা কন্না নপ্পুনা লৈখ্রে। শামু য়াইশা নারে তাবদা নিংথৌনা লৈবাক্কী অখঙ অহৈ মাইবা মাইবী ময়াম কৌদুনা হীদাক লাংথক থাদুনা লায়েংহল্লি। মাইবা মাইবীনা মখল মখাগী হীদাক থারকপদা মনাতোন মনুংদা নপ্পুনা লৈরিবা শেকপী অদু হীদাক মনমনা খাঙবা ঙমদদুনা মপান্দা পাইথোরকপদু থেংনদুনা মনাইশিংনা ফারগা নিংথৌদা কৎলে।

নিংথৌনা শেকপী অদুদা "হায় শেকপী মাচেনবী! নহাক্লা মফম ইরৈ লৈতবদৌনা ঐগী শামু য়াইশাগী মনাতোন মনুংদা চঙদুনা লৈরিবা করিগীনো, নিংথৌ ঐবু উশিৎতবরা" চৈবিরে। শেকপীদু কিবনা মশা থক থক নিক্তুনা "ইনিংথৌ ঐগী ইরাল ঙাকপীয়ু। ঐগী ইহুমদি শম্বলদা শাজবনি। হনুবী অমনা ঐগী ইহুম থুগাইবিরবদা ঐবু ফাবিগদৌরমানে খন্দুনা কিদুনা পাইবদা অঙানবদদি ইমিৎ অসি উদদুনা শামুগী মনাতোননি খঙদবদগী চঙলুবনি। থোরকফম খঙদদুনা মতম খরা লৈজরুবনি" শেকপীগী ৱাদু তাবদা মরাল লৈতে খল্লদুনা শেকপী অদু থাদোকপীরে। হনুবী অদু অমুক কৌখৎলে। নিংথৌনা হনুবীদা "ইবেন নহাক্লা শম্বলদা নপ্পুনা শাজবা শেকপী মকোল থুগাইবিরে হায়বসি চুম্ব্রা" হংলক্লবদা হনুবীনা চুমই ইনিংথৌ! ঐনা থুগাইগে খন্দুনা থুগাইবা নৎচদে। ঐনা য়েনখাদা নুংশা য়াইদুনা ফল্লিঙৈদা ককচেং নিংদুম্বী ময়াম্না লাক্তুনা ঐবু চিকলৈ। মদুদা নামনখ্রদুনা ঐনা থরো থরো ওনবদা শম্বলদা নপ্পুনা শাজবা শেকপী মহুমদা থেংলুদুনা কায়খিবনি। হনুবীগী ৱাদু তাবদা মাবুসু মরাল লৈতে খল্লদুনা নিংথৌনা থাদোকপীরে। ককচেং নিংদুম্বী ময়াম অদু অমুক কৌখৎলে। ককচেং নিংদুম্বী ময়ামদা হংবদা ঐখোয়না চিক্কে খন্দুনা চিকপা নত্তে, হৈনিং কেল্লক্তুনা ঐগী ইহুম থুগাইবিরবদা শাউনীংদুনা হনুবীনা থুগাইবা ওইরমগনি খন্দুনা ঐখোয়না চিক্লুবনি। ককচেং নিংদুম্বীশিংদসু মরাল লৈতে খল্লদুনা থাদোকপীরে। হৈনিং কৌখৎতুনা হংবদসু মানা কেনীংদুনা কেনবা নত্তে, মমুন ফানা মুন্দুনা লৈজবা ঐবু খমব্রাংচাক্লা তফিং তফিংনা পাইরক্তুনা তোংবীরে। হৈনিং পাম্বীগী উশা নোম্লকপদা কেন্দবা য়াদদুনা কেনবনি খুম্লক্লবদা মাবুসু মরাল লৈতে খন্দুনা থাদোক্লে। মরাল থিবা ফংলক্ত্রবদা মমৈথংদা নিংথৌনা খমব্রাংচাক অমোমদু কৌখৎলে। 'খমব্রাংচাক! নহাক্লা তফিং তফিং পাইরগা করিগী হৈনিং পাম্বীদা তোংলুরিবনো হায়না নিংথৌনা হংলক্লবদা খমব্রাংচাক অমোম্না মশা অনী অদু শরুং থুপ্পগা হঙ্গৎলকই। ইনিংথৌ! ঐনা ইপাম চৎচগে খনবদগী তুরেলদা কুমদুনা নূংপাক মথক্তা লেপ্পুনা খুজিল খুয়া ফেংদুনা ইরু মাইথজরিঙৈদা ৱাইখুনা লাক্তুনা ঐগী খোঙদা খংচপ চপলকই। মদুদা নামনখ্রদুনা পাইবদা অনকপদা হৌরম্বা হৈনিং পাম্বীদা তোংলুবনি। মাগী ৱাদু তাবদা নিংথৌদো নোক্লে। নুপীনা মপাম চৎলমদাইদা কেবসিদি তাইবঙ মীদা নত্তবোরে শা উচেক নখোয়সু কেনীংবোরে। অসি হায়রম্লগা খমব্রাংচাক অমোম অদুসু মরাল লৈতে খল্লদুনা থাদোকপীরে। ৱাইখু অমুক কৌখৎলগা নিংথৌনা "হায় ৱাইখু! মপাম চৎচগদবগী ইরু মাইথজদুনা কেজরিবী খমব্রাংচাক্কী মখোঙদা নঙনা লাক্তুনা করিগী চপলুরিবনো" হংলক্লবদা ৱাইখুনা "ইনিংথৌ! ননাই ঐগী ইথক্তা কাদুনা ইরুজৈ। চুম্না লেপ্পুনা ইরুজরবদি ঐসু শাউজরোইদবনি। ঐগী ইনঙ্গন্দা তোংলগা চুম্না ইরুজবদা নত্তনা চোং ফন্দুনা শান্নবদুদা উশিৎতমনে খল্লদুনা শাউনীংদুনা মাগী মখোঙদা চপলুবনি। ননাই ঐগী ইরাল ঙাকপীয়ু" হায়জরক্লে। ৱাইখুগী ৱাদু তাবদা নিংথৌনা "চুম্মী নহাক্লা শাউবা' অদুবু নুপীনা মপাম চৎলমদাইদা কেজনীংবসিদি করি অমুক শীংথারুনি নঙনা খঙলিবদু মঙাই শাউরুগনু" হায়না ৱাইখুদু থেমজিল্লি। হন্দক খমব্রাংচাক্লা মপাম চৎপসি লৈবাক ৱাথোক ওইনখি।

-**সরাংথেম বরমনি, সাহিত্য ভুষন**

(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'চীং-তমগী ফুঙ্গা ৱারী' দগী লৌখৎচবা)

## ষ্টেটকী পাউ

# লাঙ্গোলগী কেপটিভ ব্রীদিং সেন্টর ওফ সঙাইগী ষ্টাফশিংনদি মীয়াম হুপ্না চঙহন্নীংদ্রি...

*লামায় ১গী মখা...* কিলোমিটর অমা মখায় রোমদমক লাপ্পনা লৈরিবা জুলোজিকেল গার্দেন অসিদা থল্লিবা সঙাইশিং য়েংনীংবা মতমদা য়েংবা য়াগনি হায়রকখি। ঙসি নুংথিল ফাওবদা জু অসিদা লৈহৌবা সঙাইগী মশীং পূন্না ১০নি। মখোয়গী মনুংদা লাবা ৫, অমোম ৩ অমসুং সঙাই মচা ২নি হায়রি। অদুবু সঙাই মচা অনী অদুদি পোকপা কুইদ্রিবনিনা মীয়াম্না উনবগীদমক মপিনা পুথোরকপা নৎত্রগা থোরকপা তোয়না য়াওদ্রি হায়রকখি।

লোয়ননা লাঙ্গোল রিজর্ভ ফোরেষ্টতা লৈরিবা ব্রীদিং সেন্টর অসিদা য়ারিবমখৈ য়েংবা লাকপা মীওইশিং চঙহনবীদনবা প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট (ৱাইল্ড লাইফ) অমসুং চীফ ৱাইল্ড লাইফ ৱার্দেনগী মায়কৈদগী থা অসিগী ১১দা কম্মিস্নর (টুরিজম) না অইবা চেরোল অমা ফাওবা পীশিন্দুনা হায়জখিবা লৈখ্রে হায়রি।

চেরোল অদুদা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা লাঙ্গোল রিজর্ভ ফোরেষ্টতা লৈরিবা সঙাই কঞ্জার্ভেসন সেন্টর হায়রগসু খঙনরিবা সেন্টর অসি সঙাইগী 'এক্স সিটুগী ব্রীদিং কঞ্জার্ভেসনগীদমক এনদেঞ্জর ওইরিবা মণিপুরগী ষ্টেট এনিমেল অসিগী থম্বনি। কঞ্জার্ভেসন ব্রীদিং সেন্টর অসি কন্ট্রোল তৌবা য়াওদনা মীয়াম্না য়েংনবগী অয়াবা পীবনা কেপটিভ সঙাইশিং অসিদা 'মেন্টেল ত্রাওমা' অমসুং 'দিষ্টর্বেন্স' শিং থোকহনগনি হায়বা ৱাফম ময়েক শেংনা পন্দুনা খঙহনখি হায়রি।

মরম অসিনা কনাগুম্বশিংনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিবেল অসিগা মরী লৈননা সঙাইবু হকথেংননা য়েংনীংলগসু মণিপুর জুলোজিকেল গার্দেনদা থল্লিবা সঙাইশিং ওইনা য়েংহনবা চুমগনি হায়খি। মরমশিং অসিনা সঙাই য়েংনীংবা মীয়ামদা জুদা থল্লিবা সঙাইশিং ওইনা য়েংহনবীয়ু। অদুম ওইনমক অকক্লবা কনাগুম্বা দিগ্নিটরি/ভিজিটরশিংনা য়েংনীংলগদি সেন্টর অসিগী ওফিসলশিংনা গাইদ তৌরগা লাঙ্গোল রিজর্ভ ফোরেষ্টকী কঞ্জার্ভেসন সেন্টর অসিদা য়েংহন্নবা থৌরাং লৌখৎপীনবসু হায়জখি হায়রি।

ৱাফমশিং অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লিবদি ফেষ্টিবেল অসিগী ভেন্যুশিংগী মনুংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ব্রীদিং সেন্টর অসিবুসু সঙাই লৈবা মফমনিনা য়াওহন্নীংবগী অপাম্বা লৈরগসু য়েংবা লাকপা পূম্নমক্তা অয়াবা পীদুনা য়েংহন্নীংদবগী অপাম্বা ষ্টাফশিংনা ফোঙদোক্লরকখি।

নাকল অমরোমদা, হন্দক্কী ফেষ্টিবেল অসিগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মরু ওইবা ভেন্যুশিং ওইরিবা ভৈগ্যচন্দ্র ওপন এয়র থিএটর (বোট), ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন য়াওনা হাপ্তা কাংজৈবুংদদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসরশিং ফাওবা য়াওনা চঙথোক-চঙশিন্দা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা হাপ্তা কাংজৈবুং মনুংদা লৈগদবা ফেষ্টিবেলগী শরুকশিং অকনবা মওংদা শেমগৎ শাগৎলম্বা থেংনখি।

ফেষ্টিবেল হৌবদগীনা লোইবা ফাওবদা হাপ্তা কাংজৈবুংদা লৈগদবা মেগা ফ্লৱর শোগীদমক সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী 'জেনরেল ইভেন্ট মেনেজ মেন্ট সর্ভিস' (জেমস) কী মায়কৈদগী মণিপুরগী য়াওনা ষ্টেট অসিদা ফংদবা ফজবা অমসুং অতাঙবা লৈ মখলশিং মফম চানা থম্বা হৌহৌরে।

ফ্লৱর শো অসিগী থৌদাং লৌগদৌরিবা জেমসকী মায়কৈদগী নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা ফ্লৱর শো অসিদা উৎকদবা লৈশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী তাঙবা অমসুং ফজবসি 'বোনসাই' শিংনা ওইগনি হায়রকপগা লোয়ননা চাওরাক্লা লুপা লাখ ১০ হেনবগী মমল ওইগদবা মখল কয়াগী লৈশিং উৎকনি হায়রি।

ঙসি নুংথিল পুং ৩ ফাওবদা মফম অসিদা য়ৌরকখ্রবা লৈশিং অদুগী মথক্তা হয়েংসু অতোপ্পা ফজবা লৈ মখলশিং মখা তানা পুরকখিগনি। অদুবু ফ্লৱর শো অসিদা উৎকদবা লৈশিং মমল পীদুনা লৈবগী খুদোংচাবদি লৈরোই হায়রকখি।

হাপ্তা কাংজৈবুংগী মনুংদা লৈগদবা 'সঙাই চেফ', 'টনেল লাইটিং' অমসুং 'স্কেটবোর্দ কম্পিটিসন' নচিংবা পাঙথোক্লবগী অকনবা মওংদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক চথহৌরি। অদুগা 'মীট দি আর্টিষ্ট' প্রোগ্রামগীদমকসু মথৌ তাবা ষ্টেজ অমসুং সাওন্দ সিষ্টমগী থৌরাং তৌহৌরি। হাপ্তা কাংজৈবুংগী ম্যেন গেটকী মায়োক্লবদা 'টুরিষ্ট পুলিস' কী বুঠ অমসু হাংদোকহৌবগা লোয়ননা মফম অসিদা পাঙথোক্কদবা ফেষ্টিবেলগী মনুং চনবা থৌরমশিং চথরকপদা মখল অমত্তগী থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরক্তনবা পুলিসকী মায়কৈদগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি।

হাপ্তা কাংজৈবুং মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ষ্টোলশিং য়াওনা শেমগৎ শাগৎলিবা পূম্নমক্কা মরী লৈনবা মীওইশিং চঙথোক-চঙশিন তৌবা অমসুং মথৌ তাবা পোৎলম চৈরমশিং পুথোক-পুশিন তৌবদা ফাওবা পুলিসকী মায়কৈদগী গেটতা মেটেল দিটেক্টর ফাওবা শীজিন্নদুনা চেকশিন্না ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং চথরি। চঙলকপা মীওই পূম্নমক্কী মমিং মথা অমসুং টেলিফোন নম্বর রেকোর্দ তৌই। অদুগা মখোয়না থোকখিবা মতমদসু থোকখ্রে হায়বগী রেকোর্দসু মেন্টেন তৌরি। লোয়ননা ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা শেমগৎ শাগৎলিবশিংগী মনুংদা করিগুম্বা মৈহৌ লাংপোক থোরকপা তারগসু পন্থদনা মূখৎতুনা অমাঙ অতা থোকহন্দনবগীদমক মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী ৱাটর টেন্দর অমসু গেট ময়ামক্তদা ষ্টেসন তৌদুনা থল্লি।

# মিনিষ্টরনা ঙা মচা লিশীং ৫০ থাদখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা নৌনা শেমগৎপা এরেটর অমা ঙসি ফিশরি মিনিষ্টর ঐচ দিঙ্গোনা শঙ্গাখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ঙা মচা লিশীং ৫০ থাদখ্রে।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরবু মশাগী পোথোক মরাং কায়হনবা অমসুং পুথোক্লিবা পোথোকশিং অদুনা লেম পানা কোন্নহনবগা লোয়ননা শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগাৎহল্লক্লবা শেমদোকপগী তঙাইফদবা লৈরে। মসিগীদমক ব্লু রেভল্যুসনগী শরুক অমা ওইনা ৱাটর বোদিশিং শেমগৎতুনা ঙা য়োকপা অমসুং ঙাগী পোথোক পুথোক্লবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়খি।

থৌরমগী মনুং চন্না মিনিষ্টরনা ফিশরি লোয়শঙনা হীরম অসিগী মতাংদা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং পাউদম্বগা লোয়ননা লোয়শঙ অসিবু হীরম খুদিংমক্তা চাওখৎহন্নবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অকনবা থবকশিং পায়খৎলি হায়খি। মসিগী চপ চাবা খুদমনা হন্দক্কী নিংঙোল চাক্কৌবগীদমক ওক্তোবর ২৬তা পাঙথোকখিবা ঙাগী মেলাদা নোংমখক্তদা লুপা ৩,৩৩,৬০,০০০গী শেনফম য়োনবা ঙমখি হায়রি।

মরম অসিনা ৱাটর বোদিশিংদা ঙা য়োকপগী তঙাইফদবশিং মীয়াম পূম্নমক্তা খঙহন্নবগীদমক এৱেয়ের্নেস প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্কদবনি। ঙসিগী থৌরম অদুসু এক্সপার্ট অমসুং সাইন্টিষ্টশিংগা তান্নরবা মতুংদা পাঙথোকখিবনি। ৱাটর বোদিশিংদা মতৌ করম্না ঙা য়োক্কদগে অমসুং ঙাগী পোথোক হেনগৎহনগদগে হায়বগী মতাংদা মথৌ তাবা টেক্নোলোজি, আইরন কন্টেন্ট অমসুং টেক্নিক য়াওনা ৱাটর বোদি অদুগী তঙাইফদনা চঙবা পাক চাউবশিং য়াম্না মরু ওই হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা লোয়শঙ অসিগী দিরেক্টরনা ফিশরিজ এপ অমা হাংদোক্লগা ঙা লৈগদবা অমসুং য়োল্লিবশিং অনীমক্তা কান্নবা ফংহল্লগনি। এপ অসি লুপা লাখ ৭/৮ লোম লৈরগদি হৌদোকপা ঙল্লগনি। হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চাবা দাটা বেজশিং লোয়শঙ অসিদা লৈত্রি। অদুম ওইনমক ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ইকোলোজি লোয়শঙদগী খোমজিল্লকপা দাটাশিংনা মণিপুরগী ৱেটলেনশিং অমসুং ঙায়োক পুখ্রিশিংগী মতাংদা খঙবা ঙল্লগনি হায়খি।

হাংদোক্কদৌরিবা ফিশরিজ এপ অসিদা ঙামীশিং, মখোয়গী কন্টেক্ট নম্বর অমসুং মখোয়না য়োল্লিবা ঙাশিংগী মপূং ফাবা শক্তমশিং উগনি। অদুগা এপ অসিনা দিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্তা মরু ওইনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা কান্নবা ফংহনগনি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি মসিগী প্রোসেসশিং মাঙজৌননা লোইশিল্লে। কনাগুম্বা মীওই অমনা থৌরম অমগীদমক ঙা লৈবগী মথৌ তারকপদা মহাক্লা অপাম্বা ঙা মখল অমসুং মশীং ফংগদবা ঙায়োক পুখ্রি অমসুং মফম অদুগী লৈফম য়াওনা হোম দেলিভরি সর্ভিসকী খুদোংচাবসু ফংলগনি হায়খি।

ঙসি এম য়ু কেম্পসতা অনৌবা এরেটর অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা মহৈকোল অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর এন লোকেন্দ্রনা থৌরম মপু ওইখি অদুগা ফিশরি লোয়শঙগী য়াওনা মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।



HL-B/7906/20/11-19/12

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।